ইম্ফাল ইষ্ট বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২৪

# স্কুল এজ বোইজগী কেজি ৫৫গী কেটগোরিদা ৱাংখৈময়ুম রোনাল্ড ফাইনেল চঙখ্রে



**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস):** মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসন (মাবা)গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোক্সিং এসোসিএসননা শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌরগা চথরক্লিবা ইম্ফাল ইষ্ট বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২৪ ওইনা স্কুল এজ বোইজগী কে জি ৫৫ গী কেটগরিগী ফাইনেল বাউটতা ৱাংখৈময়ুম রোনাল্ডনা থৌদাম পুন্সিবা মায়থিবা পীরল্লগা কেটগরি অসিগী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ওইনা ঙসি স্কুল এজ বোইজগী ওইনা থিন্নখিবা সেমি ফাইনেল বাউট অমদা কে জি ৫৫গী ওইনা সনধাম ভিক্তরনা দেবরাজ চান্দম মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ইলিট মেনগী কে জি ৫১ গীদনা খ্বাইরাকপম দেনিসন মৈতৈনা খেত্রিময়ুম চাওবা মৈতৈ মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনলে চঙবা ঙমখ্রে।

অমরোমদা স্কুল এজ বোইজগী ওইনা ঙসি থিন্নখিবা তোঙান তোঙানবা ফাইনেল বাউটশিংগী ওইনা কে জি ৩৩ গী কেটগরিদা নিংথৌখোঙজম রোবাস মৈতৈনা খুন্দোম ঙোঙো মীতৈ, কে জি ৪০ গীদা পেবম জয়হেনবনা অচোইবম থোইথোইবা, কে জি ৪৬ কীদা শগোলশেম কোরৌঙানবনা খোঙবানতাবম ঙৌবা মৈতৈ, কে জি ৪৯ গীদা পাঙন্বম নেত্রজিৎনা দল্লিয়ু খুমনলাকপা মৈতৈ, কে জি ৫২ গীদা খারিবম লৈশেম্বনা থাংজম জেরিসন মৈতৈ, কে জি ৬১ গীদা ফৈরোইজম বিগসন মৈতৈনা ঙাশেকপম শেমসন মায়থিবা পীরল্লগা ৱিন্নরশিং ওইবা ঙমখ্রে।

স্কুল এজ গর্লসগী ওইনা থিন্নখিবা তোঙান তোঙানবা ফাইনেল বাউটশিংগী ওইনা কে জি ৪৩ গীদা মিলকি মৈনমনা চনম্বম লাংলেন চনু, কে জি ৪৬ গীদা লমামৈলু গাংমৈনা য়ুম্লেম্বম লন্থোইবী চনু, কে জি ৪৯ গীদা সরাংথেম লিন্থোই চনুনা দাইনা চৌধুরিময়ুম মায়থিবা পীরল্লগা হায়রিবা কেটগরিশিং অসিগী ওইনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

অমরোমদা জুনিয়র বোইজকী ওইনা থিন্নখিবা তোঙান তোঙানবা ফাইনেল বাউটশিংগী ওইনা কে জি ৫০ গীদা নিংথৌজম অকাবনা সাইরেম রোসন, কে জি ৫২ গীদা মার্টিন খুন্দ্রাকপমনা মালেমঙানবা চোংথাম, কে জি ৫৪ গীদা এম দি অবদুল নুরনা ইলেক্স উরিকখিম্বম, কে জি ৫৭ কীদা রোহিত খুমন্থেমনা মোইরাংথেম লানঙম্বা মৈতৈ অদুগা কে জি ৬০ গী ওইনা য়ুমখাইবম গিতচন্দ্রনা লাইশ্রম মঙানসানা মায়থিবা পীরল্লগা ৱিন্নরশিং ওইবা ঙমখ্রে।

# সোরোক অতিংবী য়ুথ ক্লব (বি) মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিএসন জিরিবামনা শিন্দুনা জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা লমলেন কম্ম্যুনিটি হোল কম কাংশঙদা কছার অসামগী কাংখুৎ অনী য়াওনা পুন্না টিম ১০ না শরুক য়াদুনা হৌজিক চথরিবা ১১ শুবা অশাংবম লখিতোন মেমোরিয়ল ফিক্স কাং টুর্নামেন্ট ২০২৪ গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সোরোক অতিংবী য়ুথ ক্লব (বি) না সোরোক অতিংবী য়ুথ ক্লব (সী) বু পাঞ্জল ১০-৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস সোরোক অতিংবী য়ুথ ক্লব (সী) না ঙমদুনা মায়কৈ খনখি অদুগা সোরোক অতিংবী য়ুথ ক্লব (বি)না কাং কাপ্তুনা শান্নবা হৌখি। মেটচ অসিগী ওইনা অহাবা হাফ লোইবা ফাওবদা সোরোক অতিংবী য়ুথ ক্লব (বি) না পাঞ্জল ৪-৩ দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মদুগী মতুং অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা সোরোক অতিংবী য়ুথ ক্লব (বি) না পাঞ্জল ১০-৪ দা সোরোক অতিংবী য়ুথ ক্লব (সী) বু মায়থিবা পীরমখিবনি।

# এসোসিএসনগী অয়াবা য়াওদনা শরুক য়াবা য়ারোই

**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস):** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ) গী মখাদা লৈরিবা ক্লবশিং নৎত্রগা য়ুনিটশিংনা এসোসিএসন অসিনা শিনবা টুর্নামেন্ট নত্তনা মণিপুরগী মনুং অমসুং মপান্দা শিনবা টুর্নামেন্টশিংদা এসোসিএসনগী অয়াবা য়াওদনা শরুক য়াবা য়ারোই হায়না এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না এসোসিএনগী অয়াবা য়াওদনা করিগুম্বা অতোপ্পা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়ারম্লবদি মখোয়গী মথক্তা অকনবা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌগনি হায়রি।

# নম্বোল কেন্দ্র মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস):** ৱাবগাই অৱাং লৈকাই য়ুঠ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (ৱালিদা)না শীন্দুনা ৱাবগাই অৱাং লৈকাই কম্ম্যুনিটি হোল (কাংশঙ) দা হৌজিক চথরিবা ২৪রক শুবা অরাম্বম সমরেন্দ্র নীংশিং কুমওন নোকআউট কেন্দ্রৱাইজ ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ওইনা ঙসি নম্বোল কেন্দ্র অমসুং ভগবতি ৱাবগাই কেন্দ্র অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা নম্বোলনা ভগবতিবু পাঞ্জল ২৫-৬ তা লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে।

হয়েং লাংমৈদোং হিয়াংলম কেন্দ্র অমসুং উচেকোন লম্বা তৌনগনি।

# শান্নরোয়শিংগী ট্রান্সফর জুন ১ দগী হৌরগনি


**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস):** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ) গী মখাদা লৈরিবা ক্লব/য়ুনিটশিংগী ওইনা শান্নরোয়শিং ইন্টর ক্লব ট্রান্সফর তৌবগী থবক মথং থাগী ১ দগী হৌরগনি হায়না এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এমেচ্যর প্লেয়রশিংগী ওইনা চহী অসিগী জুন ১ দগী হৌরগা কুমজা ২০২৫ গী মে ৩১ ফাওবা ওইগনি। নন এমেচ্যর প্লেয়রশিংগী অহানবা রেজিষ্ট্রেসন পেরদনা চহী অসিগী জুন ১২ দগী ওগষ্ট ৩১ ফাওবা অদুগা অনীশুবা রেজিষ্ট্রেসনগীনা কুমজা ২০২৫গী জান্যুৱারী ১ দগী জান্যুৱারী ৩১ ফাওবা ওইগনি। ফি পেমেন্টকী মওংনা আই দব্লিয়ু দি এফ এগী মীংদা ককপা কেশ/বেঙ্ক ড্রাফ্ট/বেঙ্কর চ্যেক ওইগনি।













## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1143**

**Timo Oehne (1832) - Spartak Grigorian (1927)**

**GER-ch Net final U14 playchess.com INT (3), 2011.05.18**

1.e4 c5 2.Nc3 Nc6 3.g4 g6 4.d3 Bg7
5.Bg2 d6 6.Be3 Rb8 7.h3 b5 8.Nce2 Bxb2
9.Rb1 Bg7 10.Nf3 Bd7 11.O-O Qa5 12.d4 cxd4
13.Nexd4 Nxd4 14.Nxd4 a6 15.f4 h5 16.f5 hxg4
17.fxg6 fxg6 18.hxg4 Nf6 19.g5 Nh5 20.c4 Be5
21.Qf3 Kd8 22.cxb5 axb5 23.Rbc1 Qa6...

**: QUESTION**

**Black to win**

**: Puzzle 1142 Solution**

**35. ...Rh5+** Opening the line from g2 to g5. **36. gxh5**
36. Kxh5 Qxh3#
**36. ...Qg5#** Lolli's mate
**0-1**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com